# ৱারীমচা

## মীৎনা উবা ঙাক্তনসু অচুম্বা নত্তে

চুংখাম রনবীর

নুমিদাংৱাইরম্বু ওইরক্লবদি হৌনরুবা তৌদনা হেক্তমক থোক্লরকই ঐঙ্গা চাওবগী হোটেলদা। মদুসু নোংমতা হোটেল মনুংদা চঙদুনা ফম্লুদে। ঐখোয়গী ফম্ফম হোটেল মমাঙগী লম্পাক মচাদুদা নত্তনা হোটেলদগী অহাংবা ফানশাং অমা-অনী থাংদোক্লুনি। অদুদগী ঐঙ্গা চাওবগী মতমগী বোরা অশাবদুগা চা অঙাঙবদা চম্প্রা মচেৎ থাদবা অদুগা হেক্তা থুংলৈ হায়নরুবা য়াওদ্রবসু। অদুদগীদি ঐখোয়গী সভাদু হৌরে, নোংমা নোংমগী থোকউ থোকউবা মানা-মানা থেংনরকপা থেংনরক্তবা। পুল্লিবা মীওইশিংদুসু কনাগী শুরে। মরৈদা হৈনজবা উকিল, লেকচরদা ৱাবা খঙজদবা ওজা, অকন-অথৌগী থবক, নুংশি নুংওন্দা খম থেংজবা মীওইসু ৱাৎপা নত্তে। অদুনা নোংমগী ঙাংনবা য়েৎনববু হৌখ্রবদি মী লৈবা লৈতবা মীনা তাবা য়াবা য়াদবগা লৈবা জাৎ নত্তে। ঐখোয়গী ৱারীদা কনাগুম্বা অহল-লমনগদি চখোক্লখিবগা য়াওবা জাৎনি। মদুমক্লসু ঐখোয় ইশানা খঙনা হোটেল মনুংদা ফমনদ্রিবনি। করিগুম্বা কান্দদি হোটেল লোইশিল্লফাওবা মরৈ লোয়নদবা য়াওই।

নুমিৎতুসু খম্বনা হৌদোরকই,

– ভাই ঙসিদি য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমা থেংনৈনে। (ঐখোয় ময়াম খম্বরোমদা ওনশিল্লি। মখা তারকপা ঙাইনৈ।) ঙসাই ঐনা হল্লকপদা মাইবমগী ইতৈমা নুংশিদো মশক খঙদবা মশা নানবা নুপা অমগী গাড়ী মনিংদা নপ্তুনা লাক্লে অদুগনে গাড়ী থমলম্লগা মখোঙনা অমুক থঙ্গাল কৈথেলরোমদা চৎখ্রে। ঐসু য়াম্না থাজদবা থৌদোক্তুদা খঙনিংদুনা ইন্নরুবনি। অদুদগী দুকানদগা চঙমিন্নদুনা ঙসাইগী নুপাদুনা করি করিনো লৈরদুনা ময়োম-ময়োম ইতৈমা নুংশিগী খাউদগা পংহাপ্তা হাপচিল্লি। অদুদগীদি ঐসু মীৎ নারক্তুনা অদুম লাক্লে।

খঙদবদা হংগনবা নাওচানা হংলকই,

– নুংশি হায়ববু কনানো? করিগীনো, মানা নুপাগা চৎমীন্নরগা নঙনা ঙক্লিবনা?

খম্বা শন্দোক্লা তাক্লকই,

– হৌজিক্কী নুংশি হায়রিবা নুপীসে, লমচৎ ফজবদা ময়াম্না মাগী মতৌ তম্মু হায়নরিবনি। মাগী নুংশিরবা ৱারী অমা লৈ। হৌজিক ফাওবদা ময়াম্না ৱারীনরিবনি। ঙসাইগী মাবু লৌরিবা তোমো চিংখৈ মাগা য়াম্না কুইনা নুংশিনরকখি। মরাইবক থীদুনা পাখঙ-লৈশাবী ওইরিঙৈদা তামো চিংখৈ লায়না অমদগী শোইনাইখি। মাগী য়েৎ থংবা মখোঙ ককখি। মপা-মমানা য়াদ্রবসু নোংমা অহিং অমা ইতৈমা নুংশি মখোঙনা থোংনা চেল্লক্তুনা লায়রবা কনা লৈজদ্রবা তামো চিংখৈগী সেবা তৌরখি। ঙসি ফাওবদা মখোয় অনী য়াম্না চান্ননা লৈরি। ইতৈমা নুংশি সরকারগী থবক তৌই। তামো চিংখৈ অঙাং মচাগুম ময়ূমদা লৈ। করিগুম্বদসু ইতৈমা নুংশি লমচৎতা অকায়বা অমত্তা থেংনরকখিদ্রি। অদুবু তশেংনা ঙসিগী থৌদোক্তুদি থাজদনা ঙকই।

– অদুদা করিগী ঙক্লীংঙাই লৈবগে। হৌজিক্কী মতমসিদবু নুপীবু থাজবা য়ারিব্রা? থায়নগী সাবিত্রিগুম্বীদি হৌজিক্তি মঙ ওইনা থোক্লনি। (ঙাইহাক অমুক লেপ্লুরগা নোংয়াইনা মখা অমুক তারকই।) নুপী হায়বা জাৎসি কয়ামুক শাথীবগে হায়বদু ৱারী অমা লিগে।

ঐখোয় ময়াম ৱারী তাগদৌবগী ঙাইনৈ। নোংয়াই ৱারীদা ফাগিদা পকচবা মীতানি।

– হেরা সমুমাইতৌবনি লম অমদা নুপী অমগা নুপা অমগা মতৈ-মনাও য়াম্না নুংশিননা, য়াম্না চান্ননা য়াম্নসু নুংঙাইনা লৈমিন্নরম্বা জাৎনি। মখোয় অনী অৱাৎপা অমত্তা লৈরমদে। মতৈ-মনাও অনীদো য়াম্না নুংঙাইনা লৈরিবদুগী মথক্তা অমুক্কসু হেন্না নুংঙাইবা হাপকৎখরে হায়বদি মখোয় অনীগী ফজরবা নোয়-পেল্লবা মচানুপা অমা ফংজরে। মখোয় অনী নুংঙাইবগী হায়নীংঙাই লৈত্রে। অঙাংদুসু ঙৌরোক ঙৌরদনা মশক-মতৌগা ফজরদনা বুপ-বুপ লাউরদনা য়েংবগা নুংঙাইখ্রবা জাৎনি। লমদুদা লৈবা মৌ, লৈশাবী, লৈশাবীমচাশিংনা নুংথিল নুমিদাংৱাই অঙাং য়েংবা শঙ্গু-শঙ্গু লাকই। অমনা অমুক পম, অমনা অমুক চুপ, অমনা অমুক পোরগা চৎখিনি। শোমদনা মমা-মপানা অঙাং মাঙখরে হায়দুনা কোইচেন হেক চেন্নে। অঙাংদুসু অঙকপনি অমুক্তা কপতে। মবুকপু থল্লবদি হায়রিমখৈ য়াই। অমনা নোকউ নোক্লনি, শুগৎলু শুগৎকনি। পৈয়ু পৈগনি। মমা-মপাদি অঙাংদা থিন্নবদা ফনা য়াম্না ৱানরবা জাৎনি। অসুম্না মথং মথং চাউখৎলকপনা অঙাংদো চহী ৪/৫ মুক শুরক্লে। বিদ্যরমভা তৌরদুনা লাইরিক তম্বা হৌরে। মশাগী জ্ঞান খরা খরা তারক্লে। অদুবু মমা-মপাদুদি অঙাংদুনা খরা চাউরকপদুদা নুংঙাইবরা হায়ববু ৱাবনা খম থেংলে। তুম্বা চাবা চঙখিদ্রে।

য়াইমনা শৎ হংজিল্লকই,

– পাখঙ ফাদুনা ঙাওশিন্নৈ হায়বসু নত্তবা চহী ৪/৫ গী অঙাংদুবু করিগী ৱারিবা?

ঐখোয় লোয়নমক পাউখুম ঙাইনৈ। নোংয়াইনা ঙাইহাক লেপ্লুরগা হায়রকই,

– ঙাইখোনে তাখো করি মরমগী ৱারিবনো হায়বদু। অঙাংদু লাইরিক তম্বদা থৱায় য়াও হায়বা য়াদে মতম খজিক্তুং ফংবদা মঙোন্দা মমান্নবা ময়াম শান্ন-খোৎনবা চঙদে। চাবা থকপা চঙদে, লাইরিক চঙদে ধ্যান তৌদুনা হেক্তা লৈরম্মী। অদুগা মানা নিংলিবা লাইদুদি নখোয় করিনো খঙবরা? মহাদেব, মহাদেবনি, মানা ঙসাইগী অঙাংসিনা থৱায় তানা নিংজরিবসে। কদায়দগীনো খঙদে, মওং খরা তোংঙানবা চাউতক তৌবা নূং অমা খুল্লুরগা মদু মানা চামথোক্লে। অদুগা মখোয়গী শীজিন্নদবা অহাংবা কা অমদা ফজনা ৱাইগা তৈথোক্তুনা ফি অঙৌবা মচেৎ অমগা থারগা লাৎলিবনি। অহানবদদি মমা-মপাসু য়াম্না লুনা খঞ্জিল্লুদে। অঙাংনিনা নিংঙক-নিংঙকপদু তৌরিবনি হায়দুনা। মখোয়সু মচাগী ধুপ থাউমৈ ঈশ্বর অমগী চঙবা পোৎচঙগদু লৈবী। অদুবু অঙাংদুদি য়াম্না থাজদনা হেক্তা অনিংবা অমগা লোয়ননা নিংখ্রবগী ৱানিসে। কনামত্তনা থিংবা য়াখিদ্রে। চাবা থকপা চঙদনা খুঁদৈ মচা অমা শেৎলগা মচিন্দা শিবা, ওঁ শিবা ওঁ হায়না শোল্লগা মমীৎ উইশিন্দুনা ধ্যান তৌদুনা লৈখ্রে। মমানা কয়া থেম্মী, মপানা কয়া হায়। "ইবুংঙো নঙদি অঙাং ওইরি। ঈশ্বর নিংবদি হয়েং অহল ওইরবা কান্দা নিংগদৌবনি। মতম ৱাৎলি লাইরিক লাইশু ফজনা তমখো"। অদুবু য়াবা কৌবা লৈখিদ্রে। মাগী নূংদু নোংমা মপানা লোৎশিল্লুবদা মহাক নুমিৎ চুপ্পদুমা চাউ-থকউ য়াদনা ও-খোংনা কপ্তুনা লৈ। খাঙবা ঙমদ্রদুনা অমুক পুথোক্তুনা পী। অসুম্না ঙসাইগী নুপামচাসিনা শিবা পূজা তৌরকপসি ফনা কুইশিল্লক্লে। শোমদদি কনাগী মমা-মপাদি হা-হা কার লাওরবনি। কনাগী য়েংবা য়াবা তানবা য়াবা মাইবা পাঞ্জি শুরে। কনানা হায়রকই, "ইবেম্মা, নঙগী নচাসি শিবা শক্তি লৈ। ঈশ্বরনা থারকপনি লেম্মা মাঙলোই" নঙদি নরাইবক ফৈ। অমুকসু হরাউজে। নুমিৎ কয়া থা কয়া মথং মথং হৌখরে।

শোমদা কৈলাস চিংদোন্দা শিবা মহাদেবদি খাঙবা ঙমশিল্লক্তরে। নৌরিবা ময়াদা অমৃত রস কোক্ত্রিবা পাপ চঙদ্রিবা অঙাংদুগী ভক্তিনা। নোংমা শিবাত্রি নুমিৎ অমদা শিবা ভক্তা ময়াম্না কৎনরকপা গঙ্গা ফুন্দা ঙাওরবা শিবা মহাদেবা ঙসাইগী নুপামচাসিগী মমাঙদা লেপ্লরে। হায়রকই মমীৎ উইরুম-উইরুম "নিপামচা নঙগী ভক্তিদা ঐ পেল্লে নঙনা পাল্লিবসি করিনো নিজরো?"

নিপামচাদুনা মখূৎ লোন্নরগা খুরুম্লগা হায়রকই, "ঐনা শিরো হেক হায়বদা মী-শা-উচেক জীবশিংসে শিহনবীয়ু"। অঙাওবা লাইনি মহাদেবা, গঙ্গাগা ঙাওরে, থোইনা ৱাখল তৌদনা হায়রকই "নঙনা নিংবা থুংজরো"। মহাদেবা লেঙখ্রে। নুমিৎ অদুদগী নুপামচাদুগী পূজাসু লোইশিনখ্রে। বর ফংলে কনাদসু হায়দোক্তে।

নোংমা মমান্নবা ময়ামগা লোয়ননা ঙসাইগী নুপামচাদু কাংদ্রুম শান্নরম্মী। লম হেঞ্জিন্নরকপদগী মমান্নবা অমগা মখোয় অনী ফুনরে। খরা চহী হনবা মমান্নবা অদুনা নমদুনা ফুরে। চৈনা ফংবদা শাওরবা নুপামচাদুনা মমান্নবা অদুদা হায়রকই, "নঙ শিরো"। ঈশ্বরগী বরবু লেম্না মাঙবা য়াবরা মমান্নবদু খুদক্তুদা ফরা-ফরা ওন্দুনা শিরে। "মাগা খৎনবা মীদি হেক্তা শি হায়দুনা অতৈ লৈরম্বা অঙাং পূম্নমক ঙকপা অমদি কিবগা লোয়ননা চেন্নখরে। শিখ্রবা অঙাংদুগী মমা-মপানা নঙগী নচানা ঐগী ইচা হাৎলে হায়দুনা মপাদা ৱাকৎলরে। অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরে। লৈকাই তিল্লে। শাওরবা মপাদুনা মচানুপাদু ময়াম মমাঙদা ইকায়-নুংশি য়ান্ননা ৱারকপা ওইনা চৈ অমা পায়দুনা ফুথরক্লে। অঙাংদুনা লাল্লে হায়জবা তাবীখিদ্রে। কনামত্তনা খাম্বসু য়াদরে। খাঙবা ঙম্লক্ত্রদুনা মচানুপাদুনা মচিন্দগী শৎ হায়দোকখি "বাবা শিরো"। অদুবু মপা অদুদি শিদ্রে। মচানুপাদুনা ঙক্লা মপাদা য়েংই।

খুদক অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদুগী মরক্তা য়াওরিবা মশা-মউ ফরবা ৱাং চাউরবা মশক-মতৌ ফজবা 'লাবা' কৌবা পাখঙ শরি অমা ফরা-ফরা ওন্দুনা শিরে। ময়াম পূম্নমক ঙক্লা য়েংনৈ।

নোংয়াইগী ৱারী লোইশিনখ্রে। ঙাইহাক্তি ঐখোয় ময়াম তুমিন্না লৈ। থংনবা মীৎকুপ্তা ভাপ তানরকপগা লোয়ননা ময়াম পূম্নমক অমুক্তদা হৌনা নোকখৎলকই। ঐখোয় ময়াম হৌনা নোকউরগা হন্থরকপদা য়াইমনা,

– মদুবু হেক্তমক পুমচুম চুম্বদি ওইহন্নীংদে। (নুংশি নুংওন্দা ঙাওজবা য়াইমনি মখা চত্থরকই।) হৌজিক্কী মতমদা মী অমনা অমবু থাজনবদি লায়রদুনা ইশানা ইশা ফাওবা থাজবা ঙম্নরক্ত্রে। হায়নরিবদুনি খূৎ য়েৎনা লোনবা শো, ওইনা অমুক চিংই। মদুমক্লা অয়াম্বা ৱাফমশিং অসি ভাপ্লা শাবদগী থোরকপনি হায়নীংই। অদুনা ঐদি অতাবা নৎত্রগা অউবা খুদিংমক হেক্তা অচুম্বনি খনবদি য়ানিংদে।

ময়াম মখা তান্নরক্ত্রিঙৈদা থাবলনা ৱা শমজিল্লকই,

– ফরে অদুদি হৌজিক্তি মতমসু থেংজিল্লক্লবনিনা লোয়শিন্নবা তৌরসি। নোংয়াইনা হায়রি নুপীজাৎ অসিসু ঙসি ঐখোয়গী সমাজদা লৈতবা নত্তে। অদুগা য়াইমনা হায়রিবা অসিসু চুম্মী। অদুগা ঙসাই খম্বনা হান্না হৌদোরকখিবা ইতৈমা নুংশিগা স্কুটরদা চৎমিন্নখিবা নুপাদুদি ইতৈমা নুংশিগী নহানমখৈ মপান্দা মহৈ তম্লুবা মৌপ্বানুপা ডা. ইমোচানি। অদুননি খম্বনা ইমোচাবু মশক খঙদ্রিবা, ঐগসু থেংনরম্মী।

খম্বা অমদি ঐখোয় ময়াম অমুক্তদা হায়দোক্লুই,

– মীৎনা উবা ঙাক্তনসু অচুম্বদি নত্তেদনা।

# শৈরেং

## মন্তিক্লবা

– *শ্যামজোয় লুৱাং*

মৈথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন থাঙ্গৎতুনা
চৈনা খঙদ্রিবা থম্মোয়সে
হৈনরকই অসুম অসুম
অশাবা মৈগী মৈশাবু
চৈনাগী মহুমনা তাঙ্গোই ওন্দ্রিবা ফাওবা,
মৈশা অমসুং চৈনাগী শাফুদা
শৌদোরক্লি পুন্সিসে তপ্লা তপ্লা।

শেৎ শেত্তুনা চান্নরবা নুংশিবা মরক্তা
কায়নখ্রগা মৈচাক খাঙনদুনা
শৈরেং ৱারেং ওন্থোকপগী মহুত্তা
পাউচেগী লমায়দা মপূম মপূম য়াওরকই
ফোঙ-ফোঙ শাবা শাদোং ওইনা।

মীরেনশঙগী থৱায়শিং হন্না য়েংলমদা
থিরকই মখূৎনা খন-খন্দুনা
মমৌ ওইবা য়াবশিং,
নুপা হায়বসিসু নুপী হাৎননবা খূৎলাইরা?

পুংবা শেল্লে মনেম মকুনা
অচানবী মমৌগা
মরা চেৎনা য়ূম্বাল লীংলে
চহী অহুমগী মতুংদা
নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা
মনি মমৌগী চিনগী লান।

নুমিৎ খুদিংগী লৈকাই কূম্মৈ ওইরেনে
মমৈথংদা
মপুরোইবা শুকখঙ খঙদনা
খায়দোক্লনবা হোৎনরকই
মশু অমতা ফংদবগী।

## শৈরেং

– *তবানু খুরাইজম*

ৱাখলগী খোর্জেনা ইরি
নঙগী শুক্ষৎপী মায়থোঙদা
শম্ভু মচা অমত্তং
নম্বা ফংজনবা খনবদা
খল্লি করি হায়খিনি
পূক্লীং ৱাখল খোইরাংনৈ
সনালৈবাক ফজবী।

লেপ্পা লৈত্রবা খোঙচৎকী
তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সিনি
কনানা করিবু খল্লিবা
পুকচেল তীন্নদ্রবা মীওইনি
লৌনম তিঙ্খং তুম্বৌলক
ৱাখল পাউজেল পুদুনা
মায়কৈ সলাই খঙদনা
তাইবঙ মীৎকপ থোকহনবী
সনালৈবাক ফজবীনি।

নঙগী পূক্লীং পেনবা
করম্না ইশিগে খোর্জেনা
মীৎকুপ কাঙদনা খল্লিনে,
ঐগী মীগী নাইদ্রবা
পূকচেল শেংবী নহাক্কী।

ৱাখল চোইরোল অঙাওবা
খোর্জে মানা পাউদমখি
ঐবু লান্না লৌবীদে
লৈকাই শম্বল পল্লানা
শম্ভু মাবু শক্তাকপীবা
ৱাখল থেনবা পুন্সিনা
কাউবা ঙল্লোই কৈদৌনুং
সনালৈবাক ফজবী।

## অশৈবা

– *মৈ জগৎ*

হৌজিক্কী মতমসিদদি
পূম্নমকনি লুপা- পৈশানা,
অদুগুম্না,
নহাক্কী মিংদা খূৎহৈবদুগী কলাবুসু,
অদুবু নহাক্তি থরোই অহাম্বনি
মপানগী অকনবা
ঈশিং-নুংশিৎ ঙাক্লবা
কল্লবা মকুনা কুয়োম্বা,
অদুবু মশানা লেঙ-ওৎপা ঙমদবা।
ঐনদি খঙই
লৈবাক্তা লৈরগা লৈবাক চারগা
লৈবাক্কী য়ূম শাবা ঙম্বা
খূৎহৈবা তিম্ত্রোক্তুগী মশক।

## মহৌশাগী ফজবা

– *রাজেন্দ্র ওক্রম*

মহৌশাগী ফজবা
মাঙহনখ্রেদো খূৎশেম্না
ঈশিং নুংশিৎ নীংথিবা
পুমওন ওল্লে হৌজিক্তি।

অদুঙৈগী লাঙ্গোল চীং
হেনবরনে হৌজিক্লা
মতমদুগী লোক্তাক্তো
লৈরিবরা ইমায়দো।

উরবদি অনীমক
খঙগনিনে খেন্নবা
থওইদবা খূৎশেম্না
মাঙহনখ্রেদো ফজবা।

# তাবুনুংদগী

মতম অমদা ডা. নিংথৌজম লৈরেননা এডিটর ওইদুনা 'য়াকাইরোল' কৌবা থাগী চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিদা অনৌবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী কবি অমদি অইবশিংগী খূৎই মরাঙ কায়না ফোঙখি। চেফোঙ অসিগী এপ্রিল ১৯৩১ খূৎফোঙদা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি খ্বাইরাকপম চাউবনা ইবা 'নীংখাইরে' কৌবা শৈরেং অমা ফোঙখি। ঙসিগী ওইনা শৈরেং অসি তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

## নীংখাইরে

(ঈশিৎপা নিপা অমগী অৱাবা দশা)

মেল্লো লাও মেল্লো লাও, লোইনা নীংখাইরে।
সাহিত্যগী পনয়াইমক্তা হান্না নমখাইরে।
কনাগী লীলা কনাগী ঈশৈ লোইনা তাওথরে।
ঙমগদবনা থিংহৌরো ও, পাথরে পাথরে।
পাম্বোম অনী থাঙ্গত্তুনা, প্রেমগী ধারা শিন্থদুনা,
ঈরৈদা মশা ঙামঙাম তৌনা, লাউজরকই ঈশিৎপনা।
লাইবক চাউবা ঈশিৎপা থোইনদুম য়ানখাইরো।
চেল্লক্লিবা ঈচেল অদু, ঈপাক্তদুম তিলহনখ্রো।
মতমগী ঈরৈ অকনবা, কনানবু থিংঙুনি?
অরিবগী মহুত্তা অনৌবা, মহৌশাগী নিয়মনি।
ফিজেৎ ওল্লে শমখাক হোংলে, করি লৈরিবা?
খরা অদু তিংঙুদনা, নঙগী করি কান্নবা?
(অফবনা লৌগনি, ফত্তবনা তোক্কনি করি ৱারুবা?)
নঙনা শিংচবা ঙল্লগা, লৈম্নে নঙনা ফংগনি,
ঐখোয়না করি কুমদুনা, অরেম্বদা চোৎলুনি?
ঈশিৎলিবা তাদও! নয়ূম তান্নদুম হোৎহৌরো।
কুমগী ঈরাসু হৌরক্লে, অঙাং-নুবীনা লাউরক্লে।
নোংও চুথরো, লাংজিং মতোন থুক্ষৎলো।
পাৎশোই নুরাবী তেকখৎলো, হনুবা হনুবী তাওথরো।

শ্রী খ্বাইরাকপম চাওবা সিংহ

# মণিপুরী পাঞ্ছি-পাউরৌ, পাউতাক

* **কৈ মমায়দা খোঙ হামজিনবা।**
  – তঙাইফদবনা হেন্না কনশিল্লকপা।
* **কৈখোম থকপা (কৈ মখোম থকপা)**
  – কৈগুম্না য়াম্না শাথীবা মী।
* **কৈজিং হৌবা।**
  – কৈদৌনা তৌবা তমথীবা মতৌ
* **কৈ মউন উপ্পা য়াউ।**
  – মনুংগা মপানগা খেন্নবা, তাৎ তৌরগা মী কিহনবা।
  – মশাদি পীক্লগা অচৌবা অকনবা শাবা।
* **কৈ অহিংবা ময়া পায়দুনা শান্নবা।**
  – খুদোংথীবা য়াবা থবক তৌবা।
* **কৈ মমায় নান্দুনা শান্নবা।**
  – তোয়না লোয়নবদগী থওইরক্তবা।
* **কৈ লৈবা কিরক্তবা।**
  – তঙাইফদবনা হেঞ্জিল্লক্তুনা অফ-ফত্ত খঙলক্তবা, কিরক্তবা।
* **কৈগা শাগোন্নবা (তুমিন্নবা)**
  – খুদোংথীগদবা থবক্লা মতম চুপ্পা লোয়নবা।
* **কৈ ময়াদা শদূম লংশিনবা।**
  – পামজবা পোৎতু ইরায় লায়না ফংহনবা।
* **কৈনিংচিৎ লাকপা শোয়দে।**
  – মায়থীখ্রবা মতুংদা অমুক লমন খুন্নবা হোৎনরকপা।
* **কৈনা তাল্লগা য়ারক্তা চেনশিল্লু শামুনা তাল্লগা চীংচেপ্পা চেল্লু।**
  – খুদোংথীবা মায়োক্লরবদি কনবীবা ঙমগদবদা নোঞ্জৌ।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– পূকচেল চাউবা, ৱাহৈ-খোন্দা ফজবা, ঈং-তপ্পা অমসুং খঙগন-হৈগনবা হায়রিবা গুণ মরিসিদি হোৎনরগা ফংদে পোকপদগী য়াওরকপনি।
– মশাগী কাঙবু থাদোক্লগা অতোপ্পগী কাঙবুদা য়াওশিনবদি মশা মাঙবনি, মদুদি ধর্ম ময়াম য়াবা নিংথৌনা তৌবগুম্মী। (প্রজাবু ঙাকপা ঙম্লক্তে)।
– চাউরবা শামুবু পীক্লবা লাংশোইনা লাকশিল্লি। লাংশোইদু শামুমুক চাউব্রা? থাউমৈ মচা অমনা অমম্ববু কোকহল্লি, থাউমৈদু অমমম্বমুক চাউব্রা? চীংবু বজ্রনা থুগায়, বজ্রদু চীংমুক চাউব্রা? শক্তি লৈবদু তশেংনা মপাঙ্গল কনবনি। মপানগী চাউবদুনা করিসু কান্নদে।
– কলি যুগনা চহী লীশীং তরা শুরকপদা পৃথিবীবু হরিনা থাদোক্কনি, মদুগী তঞ্খায় অমা লৈরগা (চহী লীশীং মঙাগী অমুক মতুংদা) গঙ্গাগী ঈশিং চৎখিনি, অদুগী মতুং তঞ্খায় অমা লৈরগা খুঙ্গং ঙাকপা লাইশিং চৎখিগনি।
– য়ূম পানবদা হেঞ্জিন্না পূক্লীং চঙবশিংনা বিদ্যা ফংঙোই। শা চাবশিংনা থৌজান হৈরোই। লন মিহৌবা মীনা অচুম্বা চৎলোই। নুপীদসু মপুরোইবা নীংঙোই।
– মখোঙদগী মতোন ফাওবা শঙ্গোম অমসুং ঘী তৈরবসু নীম পাম্বীনা খক থুমদে, অদুগুম্না ফত্তবা মীদা মখল কয়া থোক্লা তম্বী-তাকপীরবসু ফরক্কদবা লৈতে।
– য়ু হাপ্পা পাত্রবু মৈ থাদোক্তুনা হোৎনরবসু শেংউ য়াদবগুম, পূক্লীং মোৎলবা মীদি তীর্থদা চাম্মরক স্নান তৌদুনসু শেংবা ঙমদে।
– মশানা খঙদ্রিবা অমবু শন্দোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনরিবদু ঙক্লীংঙাই ওইদে, কিরাৎ নুপীনা মুক্তা পরেং শীবগী মহুত্তা গুঞ্জা (অঙাঙবা অমসুং অমুবা মচুগী অপীকপা মহৈ পানবা বন্দ হৌবা পাম্বী) মহৈ পরেং শীবগুম্বনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৮৫. নুপা অমনা অঙাং অমদা হংই 'মপা কদায়দা চৎখি' অঙাংদুনা খুম্মী 'পৃথিবী তিনবা চৎখি' করি হায়রিবনো–
১৮৬. নুপা অমনা অঙাং অমদা হংই 'নপা কদায়দা চৎখি' অঙাংদুনা খুম্মী 'পাজি নোংথিংবা চৎখি' করি হায়রিবনো?
১৮৭. নুপা অমনা অঙাং অমদা হংই 'নপা কদায়দা চৎখি' অঙাংদুনা খুম্মী 'ঙরাং হাৎতোকপা ঙসি হিংহনগনি চৎখি' করি হায়রিবনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৩-০৬-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৮০. নাওশেক।
১৮১. মীৎ।
১৮২. ৱারক তয়াল।
১৮৩. শাইরোং অমসুং মরূ।
১৮৪. ফৌ, চেঙ, চাক।

# চয়োল্পসিগী ফাগী

**শৌ শৌ মপী!!**

য়ূমগী নুপীনা মাবু য়াম্না খম্বনজবা, অদুগা মশানসু নুপীবু য়াম্না লুনা লৌজবা, ওফিসতা থবক মচা অমা তৌবা কেরানিদু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওফিস মতম হেক লোইবগা কদায়দসু লমফাইরুবা তৌদনা চুমদ্রিং ময়ূমদা হেক হেক হঞ্জে। নোংমতং থেংবদা মাগী নুপীনা তৌরক্কদবা ইশৌবুসু তশেংনা কিজবনি। অদুবু নোংমদি ওফিসতগী ময়ূম হন্নবা হোবে হোবে শিড়ি কুমথবদা খোঙফম চাহৌদবদগী ওন্থদুনা মরায়বক পোম, মখূবী তেক তৌদুনা হোস্পিটাল য়ৌরুরগা হল্লকপদদি থেঙদোকখ্রে। ময়ূম হেক চঙলকপগদি ঙাইরম্লবা নুপীনা হৌরকই–

– পূং ৫ দা ছুটি থাবা ওফিস হল্লকপদা পূং ৭ তাবসিবু করিনো? য়ূমদা ঐখোয় লৈহৌরিকায়সি কাউবীরব্রো?
– ওফিসকী শিড়িদা নাম্থবদৈ খুবীকা তেক্তনা তৌরিনি, লাইবকসিসু পোম্লিসিনি (মখূৎ খূবীদা য়েৎলিবা প্লাষ্টর অমদি মরায়বক্তা তংখৎনা পোমখৎলিকাদু উৎলি)।
– ঐখোয়নে মপানকা থোকচদ্রবসু য়াম' পঙবকাদি নত্তেকো, নত্তে, ওফিসকী শিড়িদৈ ওন্থবসিবু পূং ২ চঙব্রাও!

**থবক য়াঙনবা মশেল!!**

মী পোং কয়া চৎনদবা তাল্লক্লি। নহা অমনা খরা য়াঙলপ থৌরকপা মোটোর বাইকতু কদায়দৈনো মচি অমদৈ ফৎ থোরকপা অতোপ্পা নহা অমনা মখূৎতা নোংমৈ মচা অমা পায়রদুনা খাম্মী– 'মরুপকী গাড়ীসি লৈবাক্কী অথুবা অমগীদমক শীজিন্নজরুবা তারে, নোং নীনিদা হেক্তা থিঞ্জরক্কে।'

– চৎমিন্নবা য়ারগনা চৎমিন্নখ্রসি মরুপ, ঐহাকসু লৈবাক্কী ওইবা অথুবা থবক অমগীদমক হৌজিক্তা মশক কঙদবা অমদৈ লৌরক্লিবনি!

**চামচ মশীং!!**

– (ডাক্তরনা হিদাক ইবা চেদু পীরদুনা) মসি নোংমদা চামচ অহুম-অহুম থকপীয়ু।
– অস! অদুদি চামচ ময়াম অমা লৈ' তারেনে!